# অরি-অনৌগী লংদাইশিদা উবা ফংলগদবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘নিঙোল ৱাথোক’



ঐখোয় মীওইবনা তাইবংশিদা করি অমত্তা লোইনদনা লাকই অদুগা অমুক নাপী মকা অমফাওবা লোইদনা অমুক হনখিনি!

ৱাফম অসি মীপুম খুদিংমক্তা খংনরবা ৱাফম অমনি। অদুবু মমাং ঙৈ মতমদগী হৌদুনা লণ–থুম, কলক মীহৌনদুনা, ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মাং থাদুনা য়াম্না চাওনা মাং তাকহনখিবা লাঞ্জাও কয়া অমসু থোকখ্রে ! খুদিংমকসি ওইখিদুনসু ঙসিসু হিং লিবা মীওইবশিংগী ৱাখল্লোনদা অহেনবা লণ–থুম মীহৌবা ! কলক মীহৌবনা মাং থাদুনা মীগী মমল হন্থনা লৌবা, অফ–ফত্ত খহুহনবগী পাঙ্গল শক্তি ৱাৎলকপা হায়বা অসিদি মহৌশানি।

অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা মাং থাদুনা শুম লাকপা তারগদি হুমেন ভেল্যু হন্থরকপা, মমা–মপা, মচিল–মনাও ফাওবা করিশু ওইনা লৌনরক্তবা কয়ানা মরম ওইদুনা থম্মোয় শোক্লবা ডাইরেক্টর অমরাজগী খুদোল ওইনা অরি অনৌগী লংদাইশিদা পুথোক্লবা শেম শাবা লোইদুনা লৈরবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘নিঙোল ৱাথোক’ না মীয়ামদা পাউজেল অমা পুদুনা মীপুম খুদিংদা পাউথাং ওইনা য়ৌহননবা শেম শাবা পুমলোই লোইদুনা অফবা, মতম অবা পুং ফম ঙাইদুনা লৈরি।

চাওরক্লা পুং অনীমুক শাংবা ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাং লিবশিংদি ঃ বোনি, সোমা, রতন লাই, লিলাবাটি, ওলেন, লোকেন, আরকে হেমাবাটি, কোনিটকার, ব্রোজেন, অঙৌবা, সরান, রোসনি, ইজৌ, প্রেমজিৎ, স্বিটি অমদি থোইবনচিংবা ওইরি।

‘মিৎকী কাজল’, ‘লমহেনলবী থম্মোয়শিনা’, ‘নুংশিবী তখেল্লে’, ‘থম্মোয়গী ৱাহংদুনি, ‘মৈতৈ চনু’, ‘ইদোম চৎচরগে’, নচিংবা মতম–মতমগী মীয়াম্না পাম্নখিবা মণিপুরী ফিল্ম কয়াদা খুৎ থাদুনা মতম–মতমগী ভাবকশিংগী পুক্লিং ৱাখল হুমদুনা পুবদা মায় পাকখ্রবা ডাইরেক্টর, অমরাজনা খোমদ্রাম ফিল্ম প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা অহানবা ওইনা পুথোক্লবা শেম শারিবা ফেমিলি, রোমান্সতা য়ুমফম ওইবা ‘নিঙোল ৱাথোক’ হায়রিবা অসিগী শমলপ্পা ৱারিদিঃ অৱাৎ–অপা লৈত্তনা নুংঙাইনা লৈবা নিংথেমজাওগী ইমুং মনুংনি।

বুজিনেস অমা ওইনা মতম শাংনা হোৎনরক্তুনা মরল–মথুম অহেনবা কয়া পৈশন্দুনা থন্বা ঙম্লবা মায় পাক্লবা বুজিনেস অমা হায়বদু ওইবা ঙম্লকখি। অদুবু নিংথেমজাও না মখা তাবা মচা মশুশিংবুদি, মাগী শিনফমশি নত্তবা সরকারগী অচৌবা রেস্পোন্সিবল ওফিসর অমমম ওইহনবা পাম্মী। অদুবু মপাবুংগী বুজিনেসতা মাই ওনশিনবা পামজবা মচাশিং ঙাক্তা ওইবনা মপাগী অপাম্বাদুগী ওন্ন–তৈনবা ওইনা থোকখি।

মতম খরাগী মতুংদা নিংথেমজাওগী মচাশিংগী মরক্তা নিংথেমজাওগী অহেনবা মরল–মথুমনা মরম ওইদুনা অরোনবা লানলোং কয়া মাগী মাগী মরম ওইদুনা অরোনবা লানলোং কয়া মাগী মাগী ওইবা মওংদা চত্থরকপদা, লোন্না চংনিবা য়ারত্রদুনা নিংঙোলশিং অফোংবা লনজং ওনলত্তুনা নাকপাক তান্নরকই। অসিগুম্বা থৌওংশিদা পেন্দ্রবা নিংথেমজাও ৱাখলগী অনাবগী লোইনদুনা তাইবং থাদোকখি। অদুমক্তাদা নিংথেমজাওগী মচাশিংগী মরক্তা চত্থনরিবা লানদি লেপ্পাগী মহুৎ অসুম–অসুম চাওথোরক্তুনা মীচং খোম্নবরোমদা চত্থনরক্তুনা লোকোর্টতা য়ৌরকখি। লেপ্তনা অসুম মুক্নরকপদা আইনগী ওইবা চৈরাক ঙাইরবা তৌদনা মশাগী মরালনা মপোৎ ফারবী কনাগুম্বী অমনা মনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা অপোকপা ! মনা য়েক্লবগুম খল্লুরবা, মনমদা পোদুনা চাওরকখিবা মৌপ্প!

খুদিংমক অসিগী মফমদা থাং লুরবা অরানবা খোংথাং অদুনা মাবু শকখংবীরিবা সমাজ অসিদগী থাপ্না চৎখ্রগে খনবা খোংথাং অমগা লোয়ননা পহুংফম খংদনা থাংখি।

হায়রিবা ষ্টোরি অসিদা য়ুমফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অমনি। থোইনা অহেনবা ভিএফএক্স নচিংবা শিজিন্নবা





লৈত্তনা, ইচম চম্না ফেমিলি পুন্না য়েংবা য়াবা ফিল্ম অমদি শুকশোই শোইদনা ওইগদৌরি!

ফিল্ম অসিগী চাওরকা ৱার্কিং দে নুমিৎ ২৫ নিমুক চংনা খুরাই, মালোম, কোইরেঙ্গৈ, কৈশামথোংনচিংবা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফমশিংনা মরুওইবা সোটিংগী লোকেসনশিং ওইনা শিজিন্নরি।

খোমদ্রাম ফিল্ম প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিবু মপুং ফান্নবা হোৎনবদা বেক স্ক্রিনদা লৈদুনা অচৌবা থৌদাং য়ারিবশিং দি ঃ মেক–অপতা বেনরজি অমদি নাওতোন, বেক গ্রাউন্দ মুজিক স্কোরদা গোপি (কোগ), কেমেরামেন না হেরোজিৎ টিঐচ, দাইরেক্টর ওফ ফোটোগ্রাফি ওইনা তরুন সপাম, ইক্নুপটমেন্ট–ব্রাইট ফিল্ম মণিপুর, ট্রান্সপোর্ট–রোসনি লোয়ননা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওইনা সরান থোকচোম, এদিটরনা আর কে অমোতোম্বা, প্রদুসরনা লেনিন, ষ্টোরি এন্দ স্ক্রিনপ্লে না রাজেস হিজম নি। কেটুকী ফিল্ম প্রদক্সন এন্দ ইদিটিং সেন্টর, কৈথামথোংতো লৈরক্তা ফাইনেল প্রোসেসিংগী থবক চত্থরিবা ফিল্ম অসিগী ডাইরেক্টর না অমারাজ নি।

লোইশিল্লকপদা, খোমদ্রাম ফিল্ম প্রদক্সননা অহানবা ওইনা পুথোক্কদৌরিবা, ফেমেলি, রোমান্সতা য়ুমফম ওইবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘নিঙোল ৱাথোক’ হায়রিবা অসিগী মহাও অমদি শুকশোই শোইদনা অরি–অনৌ লংদাই অসিদা ফংলগনি ...!




## ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

# অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লীগ ২০১৮
## ৱাইদব্লিউসি মায় পাকখ্রে, ইএসয়ু অমদি এমপিএসসি দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ৪না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী তাং ২০ দগী হৌখিবা ৯শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লীগ ফোর বিএম সিংহ ট্রোফি ২০১৮ খুদোং চাদবা অমদগী মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ঙসিদগী অমুক শান্নবা হৌখ্রে।

লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাইদব্লিউসি লংথবালনা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩১ চৎপদা ক্রিপ্সাগী জর্সি নম্বর ১০ এন রতনবালানা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা ক্রিপ্সানা ৱাইদব্লিউসি দগী গোল অমা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা শোত্থনা লৈরিবা গোল অসিবু হন্দোক্নবা ৱাইদব্লিউসিগী শান্নরোইশিংনা ক্রিপ্সাগী মাইকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থদুনা প্রেসর পীখি।

এটেক্টশিং অদুগী মহৈ ফঙবা ওইনা অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপগী মিনট ৪৭ চৎপদা ৱাইদব্লিউসিগী জর্সি নম্বর ১০ এস রিনারোইনা গোল অমা হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

মেটচ অসি কান্দবা য়াদে হায়দুনা ৱাইদব্লিউসিনা হোৎনবা লেপ্তনা শান্নরকপদগী মিনট ৬২ চৎপদা ৱাইদব্লিউসিগী জর্সি নম্বর ৮ এস লিন্দা কোমনা মিনট ৬২ চৎপদা গোল অমগা হাপচিনদুনা ৱাইদব্লিউসি না গোল ২–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা ক্রিপ্সানা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি ৱাইদব্লিউসিগী মখুৎতা ২–১ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী জর্সি নম্বর ১০ এস রিনারোইনা তাখি।

মেটচ অসিদা ৱাইদব্লিউসিগী দাংমৈ গ্রেস অমদি ক্রিপ্সাগী কেএসঐচ নাওচাদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ইএসয়ু ৱাংখৈ অমদি এমপিএসসি ইম্ফাল গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা এমপিএসসিগী জর্সি নম্বর ৩ এ রোমিনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপা মেটচতা থা অসিগী ১০গী অয়ুক পুং ৯ দা ক্রিপ্সা অমদি এমপিএসসি না অহানবা মেটচ অমসুং নুংথিল পুং ২ তাবদা ৱাইদব্লিউসি অমদি ইএসয়ু গা শান্নরগনি।

# অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮
## লৌশাংখোঙ, এনপিৱাইসি (এ) অমদি কৈবী এফসি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ঃ

নোংমাইখোং প্রো গেসিপ য়ুথ ক্লব চানা না শীন্দুনা চানা লম্পাক্তা টিম ১৭না গ্রুপ–৪ থোক্না খাইদোক্তুনা থা অসিগী ৪দগী চত্থরক্লিবা অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮–৭ এসাইদ য়ু–১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবদা লৌশাংখোঙ, এনপিৱাইসি (এ) অমদি কৈবী এফসি মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা নাপেৎ অমদি ৱাইপিএফ য়াইঙং পোকপী দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা নাপেৎ অমদি ৱাইপিএফ য়াইঙং পোকপী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা লৌশাংখোঙনা অপুনবা এফসিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লৌশাংখোঙগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এল বোইচানা মিনট ৯দা গোল অমা অমদি জর্সি নম্বর ৮ এ সনাথোইনা মিনট ১৭ অমসুং ৩৩ দা গোল অনী চনখি।

মায়থিরবা অপুনবা এফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ কুমারনা মিনট ৩০দা চনখি।

মেটচ অসিদা লৌশাংখোঙগী জর্সি নম্বর ৮ সনাথোই অমদি অপুনবা এফসিগী অপুনবা এফসিগী জর্সি নম্বর ৫ লম্হোইবদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা এনপিৱাইসি চানা (এ) না লম্লাইবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এনপিৱাইসি চানা (এ) গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ইনুংঙানবনা মিনট ১, জর্সি নম্বর ১০ থোইবনা মিনট ২, জর্সি নম্বর ৮ অঙৌয়াইমানা মিনট ৯, জর্সি নম্বর ২ অরুননা মিনট ২৯ অমদি জর্সি নম্বর ৬ পারাসনা মিনট ৩৬তা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা লম্লাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এম কোবানা মিনট ১১ অমদি জর্সি নম্বর ৭ এ থিজেন্দ্রনা মিনট ৩১ দা গোল অমমম চনখি।

অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮–৭ এসাইদ য়ু–১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ১৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা গ্রাউন্দা কৈবী এফসিনা ঐচএফজিআরএস গোলাতাবীবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কৈবী এফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ সিঐচ ধনবিরনা মিনট ২৫ অমদি ৩০ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১২ এল জহেনবনা মিনট ৩৮ তা গোল অমা চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অহানবা মেটচতা পিৱাইপিসি ফুমদোংবম অমদি কাইরং ইএএ, অনীশুবা মেটচতা দিএফএ তেল্লৌ অমদি ঐচয়ুএফএ হৈঙাং অমসুং অহুমশুবা মেটচতা লম্লাই অমদি এসপিৱাইসি সৈজাংগা শান্নরগনি।

# মঙাশুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮
## এসৱাইসি অমদি ৱাইএসসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ঃ

য়ুঠ পেরেদাইজ ক্লব গোলাপাটি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙংপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নাপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা চত্থরিবা ৫শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওফন ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি অহানবা মেটচতা এসৱাইসি (বি) সনাশাবীনা ৱাইওসি (এ) থম্নাপোকপীবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এসৱাইসি (বি) সনাশাবীগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এম মাণিসনানা মিনট ১৫, ২১ অমদি ৩০ দা গোল অহুম চনদুনা হেদত্রিক ফঙখি, জর্সি নম্বর ৪ এস রাজানা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ১১ এন নোংপোকঙানবনা মিনট ৩৫তা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা ৱাইওসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১১ ঐচ বিকাসনা মিনট ১০ দা চনখি।

মেটচ অসিদা ৱাইওসি থম্নাপোকপীগী জর্সি নম্বর ২ এন প্রিতমদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা সেক্তা বোলেরো অমদি ওকেএসয়ু নিংথেমচা গোল ১–১ দা চান্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

সেক্তা বোলেরোগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ এস থোইনা মিনট ১৫ দা চনখি।

ওকেএসয়ু নিংথেমচাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ টিঐচ সগরনা মিনট ১০ দা চনখি।

মেটচ অসিদা সেক্তা বোলেরেগী জর্সি নম্বর ৯ এস সোমেন্দ্রোদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নগদবদা এমৱাইসিএল লৈমাখোক মপাল শান্নবা লাক্তদগী টুর্নামেন্ট অসিগী রুলগী মতুং ইন্না ৱাইওসিএল ফুমদোংবমনা স্কোর ৩ ফঙলগা মায় পাকখ্রে।

মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা ৱাইএসসি য়ৌরবুং খুনৌনা ইয়ুএসসি তেল্লৌবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাইএসসি য়ৌরবুং খুনৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ অর্জুননা মিনট ২০ অমদি ২৯ দা গোল অনী চনখি।

মায়থিরবা ইয়ুএসসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ কেঐচ তোন্দোনবানা মিনট ১৮ দা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিরবা ইয়ুএসসিগী জর্সি নম্বর ২০ টিঐচ বিনোটতা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং পাঙথোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ঃ

য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব (ৱাইএসি) গী মীৎয়েং মখাদা ফুটবোল একাদেমী য়াইস্কুলনা শীন্দুনা চহি ১৩ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগীশিংগী ওইবা চহি ১ চুপ্পা পাঙথোক্কদবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম ফোর কিদস ঙসিদগী হৌখ্রে।

চহি ৬ তগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমদি নুপীমচা পুন্না ৫০ না শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা হৌদোকখিবা কোচিং অসিদা য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব (ৱাইএসি) গী হান্নগী সেক্রেটরী ঐচ বিরমঙ্গোল, আরকে জয়সানা অমদি এস সৈত্যবাননা অথোইবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোক্লিবা কোচিং অসিদা পুন্না কোচ ৮ না নহা ওইরিবা শান্নরোই ৫০ অসিবু তাকপী তম্বীগদৌরি। কোচশিং অদুদি –এল নন্দকুমার চীফ ইন্সট্রক্টরদা (এ লাইসেন্স), পি সুনিল (এ লাইসেন্স), ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল একে মাহেস, কেঐচ সুরমনি (বি লাইসেন্স), এল গুনাবিন (সি লাইসেন্স), আই সুরকুমার, খেলেম্বা অমদি এম বিজেন নি।

# ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ঃ

মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী দিএম কোলেজকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ১৯শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ মিক্স দবলসকী চেম্পিয়ন এস অসালাতা অমদি পি লোকেন্দ্রোনা ওইখ্রে।

মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস অসালাতা অমদি পি লোকেন্দ্রোনা এন সনাহনবী অমদি এস চান্দ্র শর্ম্মবু সেট ৩–০ (১১–৬, ১১–৪, ১১–৬) দা মায়থিবা পীখ্রে।

কাংলুপ অসিগী থার্দ প্লেসকী শান্নখিবদা দব্লিউ প্রেমিলা অমদি ৱাইজে সিংহ না কে ইবেয়াইমা অমদি দেবপু সেট ৩–১ (১১–৭, ১০–১২, ১১–৭, ১১–৭) দা মায়থিবা পীখি।

ৱুমেন্স দবলসকী চেম্পিয়ননা এস অসালাতা অমদি এন সনাহনবীনা ওইখ্রে। রন্নর্স অপ তা দব্লিউ প্রেমিলা অমদি কে ইবেয়াইমা অহুমশুবা পোজিসনদা এনন সুসিলা অমদি ও হেমোলাতানা তাখি।

ৱুমেন্স সিঙ্গলকী থার্দ প্লেসকী শান্নখিবদা কে ইবেয়াইমানা বি হেমোলাতাবু সেট ৩–০ (১১–৫, ১১–৬, ১১–৬) তা মায়থিবা পীখি।

মেন্স ৬৫ প্লস সিঙ্গলস থার্দ প্লেসতা এনজি ব্রজকুমারনা সিঐচ রঞ্জনবু সেট ৩–০ (১১–৫, ১১–৭, ১১–৮) তা মায়থিবা পীখি।

মেন্স ৫০ প্লস সিঙ্গলস থার্দ প্লেসতা সিঐচ লোকেন্দ্রোনা টি নিরমলবু সেট ৩–০ (১১–৬, ১১–৪, ১২–১০) দা মায়থিবা পীখি।

মেন্স ৪০ প্লস সিঙ্গলস থার্দ প্লেসতা ৱাই সুবাসচন্দ্রনা পি লোকেন্দ্রোবু সেট ৩–১ (১১–৩, ১০–২, ১১–৯, ১১–৮) তা মায়থিবা পীখি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*